

# সনালৈবাক স্পোর্টস



পোলেন্দগী কামিল মজ্‌চ্‌রো তৌথিবদগী টাটা ওপন মহারাষ্ট্র টেন্নিসকী মেন
দ্রো চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান সিঙ্গলস শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেস্বরন

মেটচ ফিক্সিং অমসুং করপ্সননগী মরালদা ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না
মপুন্সি চুপ্পগী শান্নবদা অথিংবা থমখ্রবা পোর্টুগাল মচা জোৱা সোজা



## ট্রাও এফ সিনা গোল হন্দোক্লগা আইজোল এফ সিবু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে

Hero I-LEAGUE



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

১৩শুবা হেরো আই লীগকী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাও এফ সিগী ৪শুবা হোম মেটচ ওইনা আইজোল এফ সিগা শান্নখিবদা ট্রাওনা আইজোল এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

ভিজিটরগী রোছারজেলানা মিনিট ২২ দা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবসু য়ুম্নুগী লাইশ্রম প্রেমজিৎ সিংহনা মিনিট ২৭ অমসুং খুন্দোংবম কৃষ্ণনন্দনা মিনিট ৬৬ তা য়ুম্নুগী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা আইজোল এফ সিদগী পোইন্ট অহুম মুনবা ঙমখিবনি।

ট্রাওগী হেদ কোচ দিমিত্রিজ দিমিত্রিয়ুনা মমাঙগী চর্চিল ব্রদসকা শান্নখিবা মেটচ অদুদগী ফালগুনি শোকপদগী প্রেমজিৎনা মহুৎ শিনখি অদুগা তোমনোই বোসকী মহুত্তা অবিসেক দাসনা মহুৎ শীন্দুনা শান্নহনখি।

ভিজিটরগী হেদ কোচ ষ্টেনলি রোজারিওনা মমাঙগী শান্নখিবা ষ্টার্টিং এলবেল অদুদগী ৱিলিয়ম লাললুনফিলা অমদি ইসাকগী মহুত্তা নৌনা খূৎয়েক পীনখিবা আর্জেন্টাইন মচা মাটিয়াস বেরোন অমদি রোছারজেলানা মহুৎ শিনখি।

য়ুম্নু ট্রাওনা ঙসিগী মেটচ অসি মায় পাকখিবনা হৌখিবা মেটচ ৫ দা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা লাকখিবা লম্বীদা অদুমক মখা শমথদুনা পোইন্ট টেবলদা লেপ্তুনা হাইগৎপা ঙম্লি।

মেটচ অসি অঙনবা মিনিটশিং দগী ট্রাওগী কোচ দিমিত্রিজ লাক্লবা মতুংদা হৌখিবা মেটচ ৪ দা শান্নখিবা মতৌগুম অদুমক শান্নবা হৌরক্তুনা ভিজিটরগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

অদুবু মেটচকী ২২শুবা ভিজিটরগী আর্জেন্টাইন মিড ফিল্ডর মাটিয়াস বেরোননা য়ুম্নুগী দিফেন্দরশিং লাম্থোক্লগা মহাক্কী টিমমেট রোছারজেলা তম্না খাইরকপা বোলদা রোছারজেলানা হৈ–শিংনা বোল অদু কন্ট্রোল তৌরগা ট্রাওগী গোলকিপর মিথুন সামন্তাবু তুংওইনরমদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ট্রাওগী মায়কৈদগী অতেনবা মিনিটতা ভিজিটর আইজোলবু চপ চানা শিংনরক্তুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ২৪ চৎপদা কৃষ্ণনান্দনা নেটলোম তম্না কাউশিনখিবা গোল এটেম্প অমদা জো জোহেরলিয়ানানা ব্লোক তৌখি।

মসিগী মতুং মিনিট ৩ কান্নরগা ২৭শুবা মিনিটতা য়ুম্নু ট্রাওগী দিফেন্দর পেত্রিক উচেনো বোক্স তম্না নেম্না খাইরকপা বোলদা খোঙজেল য়াঙবা মহাক্কী টিমমেট লাইশ্রম প্রেমজিৎনা ভিজিটরগী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তাঞ্জা লৌদুনা বোল অদু আইজোলগী গোলকিপর জোথানমাওয়িয়াবু তুংওইনব্লগা নেটকী অহানবা মনুংদা চঙহন্দুনা গোল হন্দোকখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা ট্রাওগী ভাবকশিংগী হরাওবগী খোঞ্জেলনা নীলখি।

অহানবা হাফ্‌কী অপীবা মিনিট লোইরমদাইদা আইজোল এফ সিগী ষ্ট্রাইকর রামলুনছুঙানা কাউরকখিবা ফ্রি–কিক্তা য়ুম্নুগী গোলকিপর মিথুন সামন্তনা মশা চোংথোক্তুনা সেব তৌখি।

অনীশুবা হাফ্‌কী মিনিট ৫৮ চৎপদা ভিজিটরগী ফোরৱার্দ কনৌতেনো মেটচকী অহানবা গোল চনখিবা রোছারজেলা তম্না খাইরকপা বোলদা নীংথিনা গোল এটেম্প তৌবা ঙমদবদগী নেটকী নাকন্দা চৎখিদুনা গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।

ট্রাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ্‌তা টিম অসিগী কেপ্টেন প্রিন্সৱিল ইমেকানা মহাক্কী মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদনা শান্নরকখ্রবসু অনীশুবা হাফ্‌তদি নীংথিনা মহাক্কী অশোয়বশিং অদু মেনশিল্লক্তুনা শান্নখিবনা নাইজেরিয়ান ষ্ট্রাইকর অসিবু থিংনবা হোৎনবদা আইজোলগী দিফেন্দরশিংনা অৱাবা মায়োক্লখি।

আইজোলনা প্রিন্সৱিলবু মার্কিং তৌনবা হোৎনরিঙৈগী তাঞ্জাদা ট্রাওগী প্রেত্রিক উচেনা শাংনা খাইরকপা বোলদা কৃষ্ণনান্দগী ওই থংবা মখোঙ শীজিন্নদুনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌরগা বোক্স তম্না পুশিল্লক্তুনা শাফু কন্না কাউশিনবা বোল অদুনা মেটচকী মিনিট ৬৬ চৎপদা মহাক্কী টিম্নু মাঙজিল থাবগী গোল অদু চনখি।

মেটচকী অপীবা মিনিট লোইরমদাই মিনিট ১০ ৱাৎলিঙৈদা ভিজিটর আইজোল এফ সিগী মায়কৈদগী খোঙথাং অনীরক্তা গোল হন্দোক্লবগী তাঞ্জা ফংখ্রবসু য়ুম্নু ট্রাওগী সন্দিপ অমদি দিনিচন্দ্রনা লুচিংবা দিফেন্স লাইননা মেটচ অসিগী কন্টেষ্টতা অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা শান্নখিবনা ভিজিটরগী এটেকশিং অদু ঙাকথোক্তুনা নীংবা কায়হনখি। মেটচ অসিগী হেরো ওফ দি মেটচতা খুন্দোংবম কৃষ্ণনানন্দনা তাখি।

ট্রাওগী মথংগী মেটচ ফেব্রুৱারি ২ দা ই এম এস কোরপোরেসন ষ্টেদিয়মদা গোকুলাম এফ সিগা অৱে মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

### Hero I-League Point Table

| Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Mohun Bagan | 9 | 6 | 2 | 1 | 17 | 7 | 10 | 20 |
| Punjab FC | 9 | 3 | 5 | 1 | 13 | 11 | 2 | 14 |
| TRAU | 9 | 4 | 2 | 3 | 11 | 12 | -1 | 14 |
| East Bengal Club | 8 | 3 | 2 | 3 | 12 | 10 | 2 | 11 |
| Churchill Brothers | 6 | 3 | 1 | 2 | 12 | 8 | 4 | 10 |
| Gokulam FC | 7 | 3 | 1 | 3 | 11 | 11 | 0 | 10 |
| Neroca FC | 8 | 2 | 2 | 4 | 8 | 14 | -6 | 8 |
| Chennai City FC | 7 | 2 | 2 | 3 | 9 | 12 | -3 | 8 |
| Aizawl | 8 | 1 | 5 | 2 | 10 | 11 | -1 | 8 |
| Real Kashmir | 6 | 1 | 3 | 2 | 6 | 8 | -2 | 6 |
| Indian Arrows | 7 | 1 | 1 | 5 | 4 | 9 | -5 | 4 |

## ইম্ফাল ইষ্ট থার্দ দিভিজন ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা ৱাই দব্লিয়ু সি থম্বালখোঙ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা নহাকপম অপাবী থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০ গী অহানবা সেমি মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৮ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা তখেল ৱেলফিয়র য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (টি দব্লিয়ু ৱাই ও) তখেল অমদি য়ুঠ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (ৱাই ভি ও) হুইকপ্পা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমী (সি এফ এ) চীংমৈরোং অমদি য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সি) থম্বালখোংনা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা গ্রুপ 'বি' গী ৱাই ভি ও হুইকপ অমদি কে বি ৱাই সি ক্ষেত্রিবেঙ্গুননা শান্নখিবদা ৱাই ভি ওনা কে বি ৱাই সিবু য়াম্না লাকচনা গোল ১০–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই ভি ও হুইকপকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এম দি মুস্তাফানা মিনিট ১৫, ৩৫, ৪৮, ৫৭ অমদি ৬৩ দা গোল মঙা, জর্সি নম্বর ১৭ এম এরিসনা মিনিট ৬, ২৮ তা গোল অনী অদুগা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এস দিংকুনা মিনিট ৩, জর্সি নম্বর ৪ টি বিদ্যাশ্বরনা মিনিট ৩২ অমদি জর্সি নম্বর ৩ এল আর্টিসন্না মিনিট ৩৯ দা চনখি।

মায়থিরবা কে বি ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাহিসনা মিনিট ৫১ দা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪১০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | R | O | L | | A | C | T | S | | I | S | E | E |
| A | W | A | R | E | | P | L | E | A | | N | U | L | L |
| S | A | T | I | N | | P | E | R | T | | D | E | L | L |
| T | Y | S | O | N | | L | A | M | A | | I | D | E | A |
| | | | L | O | S | E | R | | N | B | A | | | |
| C | L | I | E | N | T | | | | | I | N | A | P | T |
| L | A | D | S | | I | N | O | P | E | R | A | B | L | E |
| A | P | E | | L | E | O | N | A | R | D | | E | E | N |
| R | E | A | L | E | S | T | A | T | E | | P | T | A | S |
| A | L | L | A | N | | | | | C | H | A | S | T | E |
| | | | S | O | W | | M | E | T | A | L | | | |
| I | O | W | A | | I | R | A | S | | R | E | G | A | L |
| F | L | A | G | | L | O | I | S | | A | T | O | N | E |
| F | E | R | N | | D | O | N | E | | S | T | O | N | E |
| Y | O | D | A | | E | K | E | S | | S | E | D | E | R |

## মিংজেল ক্লব চর্জিং মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

দি এস ইন্টরপ্রাইজেস কৈশামথোং ইরোম পুখ্রিনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুঠ ইন্টিগ্রেসন ক্লব কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল নীংশিং অন্দর ৪০ কেজি ৪ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মিংজেল ক্লব চর্জিনা ফাইভ ব্রদর্স ককৱাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু নিটিসনা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদনা থোইবা এফ সি হৈরোক্না কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতনা আই পি এম এস সি ইরোম পুখ্রি মপালনা ৱাই দব্লিয়ু সি মালোমবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।


SL/5771/26+15 days

AISECT Academy for IT & Management
Academy for Teachers Training

ADMISSION OPEN

*M. Sc.(IT) | M. Sc.(CS)| MSW | M. Lib
M. Com | MA | M. Sc.| BCA | B.Sc. (IT)

PGDCA | DCA | CCA | CCC

Diploma in Nursery Teachers Training
12 Pass | 1 year
Certificate in Nursery Teachers Training
12 Pass | 6 Months

*30+ programmes in IT|Mgmt|Comm|Arts|Sc. Faculties
*Distance & Private programmes under
Dr. C.V. Raman University & Rabindranath Tagore University
For details, feel free to visit:
AISECT Thoubal Wangmataba, AISECT Building
#7005356020


## এম এন সি এ অন্দর সিক্সটিন বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা সাইক্লোন অমদি আর সি এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*



মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টিম ১৪ না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর সিক্সটিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি আর সি এ লিলোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল। ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দগী ১১শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ 'বি' গী ওস্কার পাওনা বজার অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন্না ওস্কারবু রন ১৭ তা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৪ আওট ওইরগা রন ১৬৯ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ওস্কার পাওনা বজালনা ওভর ২২.২ দা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৫২ খক লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বেট্টিংদা মালেমঙানবনা বোল ৭২ দা রন ৭২ অমদি এম দি আলি করিমনা নোট আওটতা বোল ৮০ দা রন ৫৪ লৌখি।

ওস্কার পাওনা বাজারগী বোল্লিংদা কৌশালনা ৱিকেট অনী অদুনা সন্টোসনা ৱিকেট অমা লৌখি। ওস্কার পাওনা বাজারগী বেট্টিংদা রৈচেন্না বোল ৪৬ তা রন ৩৭, রাজকুমারনা বোল ২৩ দা রন ২৫ অমদি ধনরাজনা বোল ১০ দা রন ১৬ লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোল্লিংদা মালেমঙানবনা ৱিকেট ২, বিকাসনা ৱিকেট ২, দোনিনা ৱিকেট ২, আলি করিমনা ৱিকেট ২ অমদি রোবিন্সননা ৱিকেট ১ লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী রন ৭২ অমদি ৱিকেট অনী লৌখিবা মালেমঙানবনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এন জুগেন অমদি কে এস ঐচ কিরন্না অম্পায়র ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দগী ১২শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ 'বি' গী আর সি এ লিলোং অমদি ক্রাও খম্নাম বাজারনা শান্নখিবা মেটচতা আর সি এনা ক্রাওবু রন ৯ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ক্রাও খম্নাম বাজারনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ২৪.১ দা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ৭৯ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা আর সি এ লিলোংনা ওভর ১১.১ দা ৱিকেট অমা আওট ওইরগা রন ৮০ লৌদুনা মেটচ অসিগী ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখি।

ক্রাওগী বেট্টিংদা প্রকাসনা রন ১৩, জোহেনবনা রন ৯ লৌখি। আর সি এগী বোল্লিংদা প্রভেসনা ৱিকেট ৪, ইমরান্না ৱিকেট ২ অদুগা ইলিয়াজ অমদি জাহিদনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

আর সি এগী বেট্টিংদা ইমরান্না নোট আওটতা বোর ২৫ দা রন ৪০ অদুগা জামিরনা নোট আওটতা রন ১৫ লৌখি। ক্রাওগী বেট্টিংদা জেহেনবনা ৱিকেট অমা লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা আর সি এগী ৱিকেট ৪ লৌখিবা প্রভেসনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৭ তা ট্রাও ক্ষকৈথেল অমদি ৱাই য়ু সি সি মোইরাংপুরেলনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগনি অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অমদি পি সি সি ময়ায়কোইবীনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি / ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।

## এস এস ৱাই সি অমদি পুপু পুংদোংবম মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*



শাওম্বুং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী এস এস সিগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা শাওম্বুং কপ ১৩শুবা ইন্টর শাওম্বুং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এস ৱাই সি সাইরেম অমদি পুপু পুংদোংবম মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'বি' গী এস এস ৱাই সি সাইরেম অমদি এস এস সি (বি) শাওম্বুংনা শান্নখিবা মেটচতা এস এস ৱাই সিনা এস এস সি (বি)বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এস ৱাই সি সাইরেমগী গোলশিং অদু এস এস সি (বি) শাওম্বুংগী জর্সি নম্বর ১৩ নাওচানা মিনিট ৪৫ তা আওন গোল অমা অদুগা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২১ লিঙম্পুনা মিনিট ৪৭ অমদি জর্সি নম্বর ১২ মাইকেলনা মিনিট ৫০ দা চনখি।

মায়থিরবা এস এস সি (বি) শাওম্বুংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ সনাথোইনা মিনিট ৪৮ তা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'এ' গী পুপু পুংদোংবম অমদি এস এস সি (এ) শাওম্বুংনা শান্নখিবা মেটচতা পুপুনা এস এস সি (এ)বু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা পুপু পুংদোংবমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ সনামচানা মিনিট ৯, ৫১ দা গোল অনী অদুগা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ এন সঞ্জয়না মিনিট ২৭ অমদি জর্সি নম্বর ১৬ বিশেশ্বরনা মিনিট ৪৯ দা চনখি।

মায়থিরবা এস এস সি (এ) শাওম্বুংগী অমত্তা ঙাইরগা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ দব্লিয়ু নিংথেম্না মিনিট ৪৪ দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পুপু পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ১৬ বিশেশ্বর অদুগা এস এস সি (এ) শাওম্বুংগী জর্সি নম্বর ২ লমজিংবা, জর্সি নম্বর ৮ অবুংচা অমদি জর্সি নম্বর ৭ অকাসতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## হালেপ মায় পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মেলবর্ন, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা কজাখষ্টানগী য়ুলিনা পুটিনসেভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ৩শুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ২৭শুবা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৬–১, ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমসু ৩শুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা কে এস দি ও কিয়ামগৈ অমদি এস সি সি সি শিংজমৈ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ (এজেন্সি)ঃ*



মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিস ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২ দগী টিম ১০না গ্রুপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহুমশুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস দি ও কিয়ামগৈ অমদি এস সি সি সি শিংজমৈ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ 'এ' গী শান্নখিবা মেটচতা কে এস দি ও কিয়ামগৈনা টি সি এম দি সি থোংজুবু রন ১৫ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা কে এস দি ও কিয়ামগৈনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ আওট ওইরগা রন ১৪০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা টি সি এম দি সি থোংজুনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ আওট ওইরগা রন ১২৫ খক লৌখি।

কে এস দি ও কিয়ামগৈগী বেট্টিংদা এম দি রাজানা বোল ২৬ দা রন ৩৭, রাফিকনা বোল ৩২ দা রন ৩৭ অমদি রিহাজনা রন ২২ লৌখি। টি সি এম দি সিগী বোল্লিংদা প্রিওনা ৱিকেট ২ অদুগা সৈতেন্দর অমদি বব্লুনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

টি সি এম দি সিগী বেট্টিংদা সুরজনা বোল ৫০ দা রন ৫৪, পাইখোম্বনা রন ২৮ অমদি ঙাম্বোইনা রন ২৬ লৌখি। কে এস দি ওগী বোল্লিংদা আজিজ খাননা ৱিকেট ৩, সাহজাননা ৱিকেট ২ অমদি সাহনৱাজনা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা কে এস দি ও কিয়ামগৈগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা অজিজ খাননা তাখি।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'বি' গী শান্নখিবা মেটচতা এস সি সি সি শিংজমৈনা পি টি আর সি পাৎশোয়বু রন ৫৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এস সি সি সিনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ আওট ওইরগা রন ১৬০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পি টি আর সিনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ আওট ওইরগা রন ১০৭ খক লৌখি।

এস সি সি সিগী বেট্টিংদা ননাওনা রন ৬৯, উলেনয়াইনা রন ২৭ অমদি সনানা রন ১৭ লৌখি। পি টি আর সিগী বোল্লিংদা জোতিননা ৱিকেট ২ লৌখি। পি টি আর সিগী বেট্টিংদা অলফ্রেদনা রন ২৭ অমদি জোনিননা রন ২১ লৌখি।

এস সি সি সিগী বোল্লিংদা লমঙানবনা ৱিকেট ৩ লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এস সি সি সি শিংজমৈগী রন ৬৯ লৌখিবা ননাওনা তাখি।